রসিয়া, চাইনানা য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী পর্মিনেন্ট মেম্বরশিংগী মীফম কৌনবা তকশিনখ্রে

বৈজিং/মোস্কো, মার্চ২৩ (এজেন্সী): রসিয়া অমসুং চাইনানা য়ু এস সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী পর্মিনেন্ট মেম্বরশিংগী ওইবা সম্মিট অমা পাঙথোকপা পাম্মী হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ স্টেটসনা মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইবা থৌওং অমা চথৈ হায়না লৈবাক অনীমক্না লৌই হায়বা ৱাফম মোস্কোগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখি।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগা মরী ফংচিল্লক্ত্রবা মীচঙ লৈবাক অনীনা গুইলিন সিটিদা মখোয়গী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রবা মতুংদা জোইন্ট স্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা সম্মিট অমা পাঙথোক্নবা আপীল তৌখিবনি।

মালেমদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা লৈরিঙৈ মতম অসিদা মীওইবা খুন্নাইগী কম্মন প্রোব্লেমশিং লৈখায় তানবগী লম্বীশিং খন্ননবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী পর্মিনেন্ট মেম্বরশিংগী সম্মিট অমা পাঙথোক্তুনা হকথেংননা তানবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। মসিনা মালেম্বু তংদু-লৈতানা লৈহনবদা চাওনা মতেং ওইগনি হায়না মখোয়না অপূনবা স্টেটমেন্ট অমদা হায়খি। স্টেটমেন্ট অদু রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতা ফোঙখি। মোস্কোনা মতম শাংনা অসিগুম্বা সম্মিট অমা পাঙথোক্নবা তকশিন্দুনা লাকখি।

স্টেটমেন্ট অদুদা য়ুনাইটেদ স্টেটসকী মিং পনখিদে। তৌইগুম্বসুং রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোভনা চাইনাগী মহাক্কী লেংমান্নবা ৱাং য়িগা ৱারী শানরবা মতুংদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি মদুদি, মোস্কো অমসুং বৈজিং অনীমক য়ু এসকী থৌওংদা নুংঙাইত্রে।

কোল্ড ৱার মতমগী মিলিটরি-পোলিটিকেল এলাইএন্সতা য়ুম্ফম ওইরগা মান্নবা মওংদা অনৌবা এলাইএন্স অমা শেম্নবা হোৎনবগী মতৌ য়ু এসনা উৎলক্লি। মসিনা ইন্টরনেসনল লিগেল আর্কিটেকচরদা শোকহনগনি হায়না লাভরোভনা ফোঙদোকখি।

য়ু এস অমসুং চাইনীজ ওফিসলশিংনা ইরাই নুমিত্তা অলাস্কাদা হকথেংননা ইস্যু কয়াগী মতাংদা ৱারী শানবা লোইশিনখি। অমরোমদা, য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিনবু কিল্লর অমনি হায়রুবদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা লাকপা য়াবা খুরৌশিংগী মরমদা খন্ননবগীদমক্তা ৱাশিংটনদা লৈবা রসিয়ন অম্বেসেদর মোস্কোদা হল্লকখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা চাইনাদা চৎপা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ হৌরদুনা লাভরোভনা মোস্কো অমসুং বৈজিংনা য়ু এস দোল্লরগী মপান তাংবা হস্থহনগদবনি হায়খি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অপূনবা স্টেটমেন্ট অদুনা অতৈ লৈবাকশিংদা রসিয়া অমসুং চাইনাগী দোমেষ্টিক এফেয়র্সতা খৃৎ থিংজিন্দনবা আপীল তৌখি। জিঞ্জিয়াংদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী মরাল শীরদুনা য়ুনাইটেদ স্টেটস, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন, বৃটেন অমসুং কানাদানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা চাইনীজ ওফিসল খরদা শেল-থুমগী অথিংবশিং লাউথোকখি।

ম্যান্মারগী জুন্টানা প্রোটেষ্টরশিংগ মরাল শীখ্রে ঈ য়ু অমদি য়ু এসনা অথিংবা থমখ্রে

নেপিটো, মার্চ২৩ (এজেন্সী): নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা কূ অদুগী মরী লৈনবা ইন্দিভিজুএলশিং অমসুং গ্রুপশিংদা অহেনবা অথিংবশিং থমখিবগা লোয়ননা ম্যান্মারগী মিলিটরিনা এন্টি-জুন্টা প্রোটেষ্টরশিংবু ঈরাং হৌদুনা লন-থুমশিং মৈ থাবা অমসুং মাঙহন-তাকহনবগী থৌওংশিং চথৈ হায়না মরাল শীখ্রে।

প্রোটেষ্টর ১৬৪ শিখ্রে হায়রদুনা জুন্টাগী স্পোক্সমেন জো মিন টুননা মীশিশিং অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কেপিটেল নেপিটোদা পাঙথোকখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা মহাক্না লৈখিদবশিং অদুসু ম্যান্মারগী সিটিজনশিংনি হায়খি।

অমরোমদা, এক্টিভিষ্ট গ্রুপ এসিষ্টেন্ট এসোসিএসন ফোর পোলিটিকেল প্রিজনর্স (এ এ পি পি) না হায়রি মদুদি সিক্যুরিটি ফোর্সনা চথুখিবা প্রোটেষ্ট লাকশিন্নবগী এক্সনদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৬১ শিখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিত্তা ম্যান্মারগী অনীশুবা সিটি মন্দলেদা থোকখিবা ঈরাংদা নুপামচা অমা য়াওনা মীওই অহুম শিখি। মিজিমা ন্যুজ সর্ভিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না, নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়াঙ্গোনগী মফম খরদা অহেনবা রেইদশিং চথুখি। মখোয়না নোংমৈ কাপ্পদা মীওই খরা অশোক-অপন নংখি।

ওন সান সু চিগী নেসনল লীগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি)না চাওনা মায় পাকখিবা মীখল অদুদা নমথাক্কী থৌওং কয়া চথুখি হায়না মরাল শীরদুনা জুন্টানা কূ অদুবু অচুম্বা খোঙথাং ওইনা উহন্নবা হোৎনখি। মিলিটরি লীদরশিংগী ৱাফম অদুবু ইলেক্টরেল কম্মিসন্না রিজেক্ট তৌখিবনি।

জো মিন টুননা প্রোটেষ্টরশিংবু ভাইওলেন্স চথুবগী মরাল শীবগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মীওই মাপল শিখ্রে হায়খি। মখোয়বু ঈংনা-চিক্না প্রোটেষ্ট তৌরিবশিংনি হায়বা য়াগদ্রা হায়না হংলদুনা মহাক্না ফেক্টরিশিং মৈ চাকপগী ভিদিও অমসু উৎখি।

মহাক্না ষ্ট্রাইকশিং অমসুং হোস্পিটালশিং মপুং ফানা মথৌ তৌদবদগী কোভিদ-১৯গী পেসিএন্ট অমা য়াওনা মীওই কয়া শিহনখ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি অমসুং দোক্টরশিং অমসুং হোস্পিটালগী ইমপ্লোয়িশিংবু মথৌ মশক খঙবা অমসুং ইথিক্স ঙাক্তে হায়না মরাল শীখি।

স্পোক্সমেন অসিনা মিদিয়াবু শেমজিন-শাজিনবা পাউ ফোঙবা অমসুং ঈরাং হেনগৎহনবগী মরাল শীখি। মহাক্না সু চিগী গভর্ণমেন্টকী লৈহৌরিবা মীওইশিংগা কন্টেক্ট তৌনবা রিপোর্টরশিং প্রোসিক্যুট তৌবা য়াই হায়নসু ৱার্নিং তৌখি। সু চিগী গভর্ণমেন্টতা য়াওরম্বশিংনা শেম্বা সী আর পি এইচ অসি ইলিগেল ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না মিলিটরিনা লাউথোকখ্রবনি।

ম্যান্মারদা দেমোক্রেটিক সিভিলিয়ন লৈঙাক লাকহন্নবা লৈবাক মীয়াম্বু লুচিংদুনা চথুখিবা কেম্পেনগীদমক নোবেল পীছ প্রাইজ পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রবা সু চি কূ চথুখিবদগী ফাজিন্দুনা থল্লি। মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং অদু শেমজিন-শাজিনবা ঙাক্তনি হায়না মহাক্কী উকিলনা হায়রি।

নীংথিনা শীন-লাংদুনা রেল্লি পাঙথোকপা য়াহন্দনবা হোৎনরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টার্গেট তৌরক্তনবগীদমক্তা নুমিদাংগী মতমদা মফম কয়াদা মী য়াওদনা দেমোন্সট্রেসন কয়া পাঙথোকখি।

ওষ্ট্রেলিয়াদা ঈশিং-ঈচাও মখা তানা থোকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে

সিদনি, মার্চ২৩ (এজেন্সী): ন্যু সাওথ ৱেলস (এন এস দব্লিয়ু) ষ্টেটকী মফম খরদা নোং-চিংগী ফিভম খরা ফরক্তুনসু নুমিৎ কয়ানি নোং কন্না চুখ্রবা মতুংদা মফম কয়াদা মখা তানা ঈশিং-ঈচাও লেপ্তুবা য়াবগী অকিবা লৈরি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মিটিওরোলোজিষ্টশিংনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নোংপোক থংবা তোৰ্ব্বানগী মীয়ামদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ব্যুরো ওফ মিটিওরোলোজি (দিব ও এমৱ)না ফোঙদোকখিবদা, নোং-চিংগী ফিভম ফরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবদগী মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা কোল এক্সপোর্ট পোর্ট ওইরিবা সিদনিগী অৱাংদা লৈবা পোর্ট ওফ ন্যুকাসলদা কোল থারবা য়াই। ঈশিং-ঈচাও থোক্তুনা রেল লাইনশিং ঈশিং থুমজিনখিবদগী পোর্ট অদুদা কোল দেলিভরিগী থবক লেপ্লকখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা কোল মাইনর হ্বাইটহেভন কোল লিমিটেদনা ঈচাওনা মরম ওইদুনা ষ্ট্রকচরদা অশোয়বা লৈবদগী পোর্ট অদুদা সিদ লোদিংগী থবকশিং লেপ্লে হায়খি।

ঈশিং ঈচাওদা মীশি-মীনা থোকপগী পাউফংদ্রবসু হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ইমর্জেন্সি সর্ভিসেসনা মীওই লিশিং কয়া রেস্ক্যু তৌখি। মীওই ১৮,০০০ রোম শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে অমসুং অতৈ ১৫,০০০সু হোংদোকহনবা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা থাজরি।

সোসল মিদিয়াদা থাগৎপা ইমজেশিংদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা অমসুং ঈচাওনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ন্যু সাওথ ৱেলসতা থোং কয়া ঈশিংনা চেন্থখিবা, শা কয়া পন্দুনা লৈবা অমসুং য়ুম-কৈ কয়া ঈশিংনা থুমজিনবা উখি।

সিদনিগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৬২ রোম লাপ্না হেরোসবরি তুরেলগী তোৰ্ব্বানদা লৈবা ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা রেষ্টোরেন্ট অমগী মপুনা হিনাও অমা শীজিন্নদুনা য়ূমলোন্নবা অমগী পীক্লিবা অঙাং কনবীখি।

সিদনিগী মরু ওইবা ৱাটর সপ্লায় ওইরিবা ৱারাগুম্বা টাওন থাংজ নুমিত্তা ঈমায় পাথোকখি। ফিভম অদু মখা তানা চয়োল অমসু লৈবা য়াই হায়না ৱেদর ফোরকাষ্টরনা ৱার্নিং তৌখি।

ইনভাইরনমেন্টেল এক্টিভিষ্ট কার্লোস হোন্দুরাসতা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

টেগুসিগলপা, মার্চ২৩ (এজেন্সী): ইনভাইরনমেন্টেলিষ্টশিংদা পরিংনাইনা চথুরকখিবা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা ওইনা হোন্দুরাসতা ইন্দিজেন্নস ইনভাইরনমেন্টেল এক্টিভিষ্ট অমা হাৎখ্রে।

দেলি লা প্রেন্সাগী রিপোর্টমতুং ইন্না, ইন্দিজেন্নস লেনকা পিপলগী রিপ্রজেন্টেটিভ অমা ওইরিবা কার্লোস জেরোস লৈবাক অদুগী অৱাং-নোংচুপ থংবা সান এন্টোনিও সিটি মনাক্তা লৈবা ষ্ট্রীট অমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। মশাগী চহী ৪১ শুরবা ইনভাইরনমেন্টেল এক্টিভিষ্ট অসি নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদামহাক্কী মচাশিংগী মমাঙদা হাৎখি।

নেসনল পুলিসনা ট্যুটরদা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না চিংনরিবা মীহাৎপা অদু ফারে। করিগীদমক্তা মীহাৎ অদু চথুখিবনো হায়বা শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। কেরোস লোকল এদভোকেসি গ্রুপ য়ুনাইটেদ কম্যুনিটিজগী প্রসিদেন্ট ওইখি। মহাক্না লমদম অদুদা হাইদ্রোইলেক্ট্রিক পাৱর ষ্টেসন অমগী মায়োক্তা কেম্পেন তৌখি।

য়ুনাইটেদ কম্যুনিটিজনা মসিগী ফেসবুক পেজদা মীহাৎ অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মীহাৎপগী খূৎতা লৈখিদ্রবা এক্টিভিষ্ট অদুগী ইমুংবু জষ্টিস অমসুং সিক্যুরিটি ফংহন্নবা দিমান্দ তৌখি।

হোন্দুরাস অসি এক্টিভিষ্টশিংগী ওইনা মালেমগী খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনৈ। হৌখিবা চহীদা লম অমসুং ইনভাইরনমেন্টকী দিফেন্দর ১৪ হাৎতুনা কুমজা ২০১৮দা হাৎখিবা মশিংদগী য়াম্না হেনখি হায়বসি এদভোকেসি গ্রুপ গ্লোবেল ৱিটনেসনা ফংবা দেটানা উৎখি।

মতম শাংনা লেনজাগী ইনভাইরনমেন্টেল এক্টিভিষ্ট অমা ওইরকখিবা ফেলিক্স ভাস্কীজ হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা সান্টিয়াগো দে পুরিংলাদা লৈবা ময়ূমদা ইমুং মনুং মীওইশিংগী মমাঙদা মাস্ক উপ্পশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

কোংগ্রেসকী মীখলদা ওপোজিসন লিবরেল পার্টিগী নোমিনেসন ফংনবা হোৎনরিবা ভাস্কিজনা চহী কয়া হাইদ্রোইলেক্ট্রিক প্রোজেক্টশিং অমসুং লেন্দ একুজশিং থেংনদুনা লাকখি।

রোহিঙ্গা রেফ্যুজি কেম্পতা মৈ চাকপদা মীওই ১৫ শিরে, ৪০০ রোম থিবা খঙদ্রি

জিনেভা/ধাকা, মার্চ২৩ (এজেন্সী): বাংলাদেশকী কোক্স বাজার দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি কেম্পশিংগী মনুংদা খরা পাক্তুনা মৈ চাকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখ্রে অমসুং রেফ্যুজি ৪০০ রোম থীবা খঙখিদ্রে হায়না য়ু এন রেফ্যুজি এজেন্সীনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ফায়র ফায়টরশিংনা অহিং চুপ্পা হোৎনদুনা মৈ চাক্লিবদু মুথৎখি অমসুং মৈনা কানা চাক্লবা অশিবা হকচাং কয়া থেংনখি হায়না ফায়র সর্ভিস এন্দ সিভিল দিফেন্স দিপার্টমেন্টকী দিষ্ট্রিক্ট হেদ মোহম্মদ অব্দুলাহনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না, অশোকপশিং অদু এইদ এজেন্সীশিংনা চল্লাইবা তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা লায়েং চথুরি। লোয়ননা কয়া য়াম্না মাঙ-তাকখ্রবগে হায়বদু গভর্ণমেন্টনা য়েংশিল্লি। মৈদু করম্না চাক্লকখিবনো হায়বসু লেপ্পা ঙমদ্রি। গভর্ণমেন্টকী রেফ্যুজি রিলীফ এন্দ রিপাত্রিএসন কম্মিসনগী দেপ্যুটি চীফ মোহম্মদ সামসুদকী মতুংইন্না, কেম্পশিংদুগী মনুংদা অমা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিলদা মৈ চাক্লকখি অমসুং মদুগা তায়নবা কেম্প মরিদা শন্দোরকখি। মীওই লিশিং কয়া লৈফম লৈহনখিদ্রে।

য়ু এন রেফ্যুজি এজেন্সীগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, মৈ চাকপদা সেল্টরশিং, হেল্থ সেন্টরশিং, দিসত্রিব্যুসন পোইন্টশিং অমসুং অতৈ ফেসিলিটিশিং অমাঙ-অতা থোকখি।

মুসলিম লালহৌবশিং তকথোকপগী মিংদা ম্যান্মারদা মিলিটরিনা চথুখিবা ওৎ-নৈবগী কেম্পেনদগী নান্থোক্লবা লৈবাক অসিদগী য়াম্লবা রোহিঙ্গা মুসলিমশিং য়ুমথংনরিবা বাংলাদেশতা চেনখি। মখোয় কোক্স বাজারগী হেক্টর ৩০০০ হেন্না পাক-চাওবা চীংগী লমদা পাক-শন্না শারিবা কেম্প ৩৪দা লৈরকখি। পূন্না রোহিঙ্গা মুসলিম মিল্লিয়ন ১ হেন্না কেম্পশিং অদুদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখি। কুমজা ২০১৭তা ইথনিক গ্রুপ অসিদা টার্গেট তৌদুনা মিলিটরিনা চথুখিবা ওৎ-নৈবা অমসুং ফাবা-পূনবগী কেম্পেন অদুদা পূন্না রোহিঙ্গা মুসলিম ৭,৫০,০০০ বোর্দর লান্দুনা চেনখি।

মিনিষ্টরশিংগী মীফম পাঙথোক্লগনি

ব্রসেলস, মার্চ২৩ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৯গী মতুংদা অহানবা ওইনা নাটোগী লৈবাক ৩০গী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা এলাইএন্স অসিগী ব্রসেলসতা লৈবা হেদক্বার্টরসতা হকথেংননা উরনগনি।

দি পি এ ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, নাটোগী মিনিষ্টরশিংনা মিলিটরি ব্লোক অসি রিফোর্ম তৌনবগী প্রপোজেলশিং খন্নদুনা লাক্কদৌরিবা সম্মিট অমগীদমক শেম-শাগনি।

য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কন মীফম অদুদা শরুক য়াগনি। চহী অসিগী অঙনবদা ওফিস পায়খিবদগী য়ুরোপকী খোঙচৎ অমদা মহাক্না নাটোগী মীফমদা য়াওবা অহানবা ওইরগনি। কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী থৌরাংশিংনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০১৯ গী নভেম্বরদা পাঙথোক্লমগদবা নাটো ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা হকথেংননা উনবগী মীফম য়েথোকখি। মীফম অদু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লোইশিনগনি।

মীচঙশিং অসিনা মখোয়গী অফঘান মিসন তুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বগী মতাংদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী মীফমদা খন্নগনি। তৌইগুম্বসুং হীরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌবদি তৌরোই। টালিবানগা য়ানখিবগী মতুং ইন্না, য়ু এস ফোর্সশিং চয়োল খরগী মনুংদা লানগী চৈথেং নংলবা লৈবাক অফঘানিষ্টান থাদোক্কদ্রা নৎত্রগা মখা তানা লৈগদ্রা হায়বগী মতাংদা প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ৱারেপ লৌরকপা ঙাইদুনা মরী লৈনবা খূদিংমক্না ৱাশিংটনদা মীৎয়েং থম্নরি।

ওপসন পুম্নমক খন্নবা য়াই অমসুং ৱারেপ অমত্তা লৌবা লৈত্রি হায়না মীফম অদুগী মাঙওইননা নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোল্টনবর্গনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি। হৌজিক হৌজিক নাটোগী মীচঙ লৈবাক অসিগী নৎত্রগা পার্টনর লৈবাকশিংগী ত্রুপ ১০,০০০ রোম্না অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিং ট্রেনিং পীরি।

টর্কিস ওথোরিটিশিংনা মীওই ১৫০ ফাজিনখ্রে

অঙ্কারা, মার্চ২৩ (এজেন্সী): টর্কিদা কুমজা ২০১৬তা চথুখিবা মায় পাকখিদ্রবা কূগা মরী লৈননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টর্কিস ওথোরিটিশিংনা এক্টিভ দ্যুটিদা লৈবা লান্মীশিং য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫০ য়ু এসতা বেজ তৌবা ইস্লামিক ক্লারিক ফেতুলা গুলেনগা মরী লৈনবগী মরালদা ফাজিনখ্রে।

টর্কিগী এনাদোলু মিদিয়াগী রিপোর্ট পল্লদুনা দি পি এ ন্যুজ এজেন্সীনা হায়, পুলিস অমসুং জেন্দরমেরিনা টাওন অমসুং সিটি ৫৩দা অতৈ চিংনবা মীওই ৩৪ থিবগী থবক চথুখি। সস্পেক্টশিং অদুগী মনুংদা লেন্দ, এয়র, নেভেল অমসুং জেন্দরমেরিগী এক্টিভ দ্যুটিদা লৈবা লান্মী ১২৩ য়াওরি।

অতৈ মীওই ৩৮না কুমজা ২০১৬কী জুলাই ১৫দা মিলিটরিগী ফেক্সন অমনা মায় পাকখিদবা কূ অমা চথুখিবা মতুংদা মফম লৌথোকখ্রবা হান্নগী কেদেটশিংনি। চহী মরি হেন্না হৌখ্রবসু অঙ্কারানা ক্লারিক গুলেনগী লোয়েলিষ্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওইশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। গভর্ণমেন্টনা মখোয়বু কূ চথুনবগী পান্দমদা লিশাং শীংনা ষ্টেট এপ্ররেটসতা লৈশিল্লকখি হায়না মরাল শীখি। টর্কিনা গুলেনগী মুভমেন্ট অদুবু টেররিষ্ট গ্রুপ অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা ক্লারিক অসিগা মরী লৈনৈ হায়না চিংনবা মীওই লিশিং কয়া জেলদা থমখি। তোঙানবা মীওই লিশিং কয়া অমনা পব্লিক সর্ভিসতগী লৌথোকখি। মায় পাকখিদবা কূ অদুদা চেন্নখি হায়বসি গুলেননা হেক তৌবদগী য়াদনা লাকখি।

পুটিনদা কাপকদৌরিবা ভেক্সিন হায়দোক্লোই: ক্রেমলিন

মোস্কো, মার্চ২৩ (এজেন্সী): প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা কাপকদৌরিবা রসিয়ানা শাবা ভেক্সিনগী মমিং হায়দোক্তনবা অতম্ননা ৱারেপ লৌরে হায়না ক্রেমলিননা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়ানা শাবা ভেক্সিন অদুম্মক থাজনিংঙাই অমসুং ইফেক্টিভ ওই হায়না পল্লদুনা ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেন দমিত্রি পেস্কোভনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, প্রসিদেন্টতা কাপকদৌরিবা ভেক্সিন অদু ঐখোয়না অতম্ননা হায়দোক্লোই।

মহাক্না হায়, ভেক্সিন কাপ্পা পাম্মী হায়না মশানা লাউথোকখ্রবা পুটিন নুমিদাংদা রসিয়ানা শাবা ভেক্সিনশিংগী মনুংদা অমা কাপকনি।

পেস্কোভকী মতুং ইন্না, পুটিননা রসিয়ানা শাবা ভেক্সিনশিং প্রমোট তৌনবা তৌবা য়াবা কয়া তৌখ্রে। খ্বাইদগী মমিং লৈবা ভেক্সিনদি স্পুটনিক ফাইভনি। মোস্কোনা অতৈ দোমেষ্টিক ভেক্সিন অনী ইপিভেককোরোনা অমসুং কোভিভেকসু ইমর্জেন্সিদা শীজিন্ননবা এপ্রুভ তৌখ্রে। পুটিননা কেমেরা মমাঙদা ভেক্সিন কাপ্পা পামদে হায়না পেস্কোভনা ফোঙদোকখি।

IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR PATSOI, IMPHAL WEST DIST., MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 174/SDC/P/2021

I. Chongtham Modhubala Devi W/o (L) Bijoy Singh of Changangei, II. -do- Romesh Singh S/o (L) Bijoy Singh of -do-, III. -do- Romita Devi D/o (L) -do- of -do-, IV. -do- Sangita Devi D/o (L) -do- of -do- ...Petitioners

-Vrs-

Late Chongtham Bijoy Singh S/o (L) Lalji Singh of Changangei. ...O.P.Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

The 18/3/2021

U/S 46 (3) MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার চোংথাম বিজোয় সিংহ, পীং মৃ: লালজি সিংহ, সাং চঙাঙ্গৈগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৭৮-চঙাঙ্গৈগী অনৌবা পাট্টা নং ৭৮/৪৭, দাগ নং ২০০ অমসুং এরিয়ানা .৯৪৭৫ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Patsoi

HL-P/9385/24

নম্বর ৪-২৬-১৩/আইটিবিপি/৪শুবা বিএন/ঈসী-২/দেভিদ এল. ত্রিটে/২০২০
ওফিস ওফ দ কম্যান্দেন্ট
৪শু বা বিএন, ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস
মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স/গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
সী/ও ৯৯ এ.পি.ও.

//খঙহঞ্জবা//

রেজিমেন্টেল নম্বর ১৪০২৭০৩২৯ সী টি (জি দি) দেভিদ এল. ত্রিটে, অপোকপা শ্রী টি. সাঙা ত্রিটি, লৈফম্না ভিলেজ- রোদ জেনহাং লমকা, পি ও, টেহ এন্দ দিষ্ট্রিক্ট চুড়াচান্দপুর, (মণিপুর) পিন নম্বর ৭৯৫১২৮ অসি নোটিস অসিগী খূখাংদা ০১.১০.২০২০ (এফ এন) দগী মতিক চাবা ওথোরিটিগী অয়াবা লৌদনা এবসেন্ট ওইদুনা লাক্লি হায়বসি খঙহল্লি। থৌওং অসি আই টি বি পি এফ এক্ট ১৯৯২ গী সেক্সন-২১ (বি)গী মখাদা ওফেন্স অমনি। রেজিষ্টর্দ পোষ্টকী খূখাংদা হঞ্জিন হঞ্জিন করেস্পোন্দেন্স/রিমাইন্দরশিং থাখিবা ওইরবসু নহাক দ্যুটিদসু জোইন তৌখিদে, লোয়ননা দিফেন্সতা শেংদোক ৱারোল অমা সবমিত তৌরকপসু লৈখিদে। ৪শুবা বি এন ও নম্বর ১২ তারিখ ০২.০১.২০২১গী মতুং ইন্না কোর্ট ওফ ইনক্বাইরি অমা শেমদুনা নহাক্না মতিক চাবা ওথোরিটিদগী মাঙজৌননা পর্মিসন লৌবা তৌদনা ছুটিদগী মতম হেন্না লৈথোক্লম্বগী মতাংদা থীজিনখি। সী ও আইগী রিকম্মেন্দেসনদা নহাক তারিখ ২০.০১.২০২১দা থোকপা ওফিস ওর্দর নম্বর ১৯১গী মতুং ইন্না আই টি বি পি এফ এক্ট ১৯৯২গী সেক্সন ৭৪ (২)গী মখাদা ০১.১০.২০২১ (এফ এন)দগী হৌরগা ফোর্স অসিদগী চেনখিবা 'দিজার্টর'নি হায়না লাউথোক্লে। লৈরিবা রুলশিং গী মতুং ইন্না তারিখ ১৩.০২.২০২১দা রেজিষ্টর্দ পোষ্টকী খূখাংদা নঙোন্দা "সো কোজ নোটিস" থাদুনা নশাগী দিফেন্সতা শেংদোক-ৱারোল অমা সবমিট তৌরক্নবা খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং নোটিসকী মতম হৌখ্রবা ফাওবদা নহাক নশাগী দ্যুটি য়াওরবসু লৈতে, শেংদোক ৱারোল অমত্তা সবমিট তৌরকপসু লৈতে।

২. মরম অদুনা নোটিস অসিগী খূখাংদা রেজিমেন্টেল নম্বর ১৪০২৭০৩২৯ সিটি (জি দি) দেভিদ এল ত্রিটে অপোকপা শ্রী টি সাঙা ত্রিটেবু নোটিস অসি ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ১৩০ নিগী মনুংদা ৪শুবা বি এন, আই টি বি পিদা রিপোর্ট তৌনবা অমসুং মহাক্কী দ্যুটি য়াওনবা অমুক হন্না খঙহল্লি। হায়রিবসি তৌদ্রবদি মহাক আই টি বি পি এফ রুল ১৯৪৯গী রুল ২০কা লোয়ননা প্রোভিজন্স রুল ১৭কী মতুং ইন্না সর্ভিসতগী টর্মিনেট তৌরগনি।

কমান্দেন্ট
৪শুবা বি এন, আই.টি.বি. পুলিস

davp19112/11/0250/2021

IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref :- Mut. Case No. 186/SDC/IW(P) of 2021

Shri Pukhrambam Sarmila Devi W/o -do- (L) Sobhajit Singh of Ghari Makha Leikai. ...Petitioner

-Vrs-

Late Shri Pukhrambam Sobhajit Singh S/o (L) Yugeshor Singh of Ghari Makha Leikai. ...O.P.Party/Parties

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

23/03/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ঈ:ও: পাৎসোই তহশিলগী খুল নম্বর 82-Ghari গী পাট্টা নম্বর 56 (old), 77/839 (new) দাগ নম্বর 272/991 গী পোইন্ট .1235 একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০৩/০৪/২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথুরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/9383/24

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref :- Mutation Case No. 158 of 2021

Tongbram Memcha Devi, W/o. Thangjam Ibomcha Singh of Singjamei Kshetri Leikai - Applicant

-Vrs-

(L) Tongbram (O) Rajkumari Sanatombi Devi, W/o. T. Tomba Singh of Singjamei Kshetri Leikai
-O.P. Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Oinam, the 23rd March, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ৩৩- ঙাইখোং খুনৌগী পাট্টা নম্বর ২০৪ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৯৮/৩১৩ এরিয়া একর ০.৬৮ চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুখ্রগনি।

Sd/- S. Budhichandra Singh
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/9380/24

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 228/AS & SO/TBL Date. 11/03/2021

1. Akoijam Robindro Singh S/o Ak. Lukhoi Singh of Thoubal Achouba
2. -do- Joy Singh S/o -do- of -do-
3. -do- Robin Singh S/o -do- of -do- -Applicants

-Vrs-

(Late) Pattadar Koijam Ibomcha Singh S/o (L) Chaomacha Singh of Athokpam. -Opp.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

23/03/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুন নং ৩২-অথোকপম পাট্টা নং ২৩৪ (অরিবা) পাট্টা নং ২৮৮ (অনৌবা) দাগ নং ৩৫ এরিয়া ১.২৫৩৫ হেক্টর চাওবা তাওথবী লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা কোইজম ইবোমচা সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি (Applicants) মখোয় অহুমগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা মথক্কী উক্তা কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- M. Ningthembi Singh
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/9384/24

IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR PATSOI, IMPHAL WEST DIST., MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 175/SDC/P/2021

I. Chongtham Modhubala Devi W/o (L) Bijoy Singh of Changangei, II. -do- Romesh Singh S/o (L) Bijoy Singh of -do-, III. -do- Romita Devi D/o (L) -do- of -do-, IV. -do- Sangita Devi D/o (L) -do- of -do- ...Petitioners

-Vrs-

Late Chongtham Bijoy Singh S/o (L) Lalji Singh of Changangei. ...O.P.Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

The 18/3/2021

U/S 46 (3) MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার চোংথাম বিজোয় সিংহ, পীং মৃ: লালজি সিংহ, সাং চঙাঙ্গৈগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৭৮-চঙাঙ্গৈগী অনৌবা পাট্টা নং ৭৮/৮৯, দাগ নং ১৪১৩ অমসুং ১৪১৪/১৫৭৯গী এরিয়া .১৪২৫ একর অমসুং .০৬৫০ একর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/9385/24